


# সনালৈবাক স্পোর্টস

FRIDAY, MAY 02, 2014, PAGE 5




*কোলকাত্তগা শান্নখিবা মেটচতা ক্রিকেট ৩ লৌখিবা রাজস্থানগী টিমদা য়াওরিবা বোল্লর ফৌলকনর*

*ব্রিমব্লেদনগী শেলফম চাদা ১০ হেনগৎলগনি হায়বদা হরাওবা ফোঙলিবা এন্দি মুরে*

# ৱার্ল্ড কপ্তা পৃথিবীগী লৈবাক মীয়াম্না আর্জেন্টিনা.. আর্জেন্টিনা শোন্নগদৌরি






*রিও দি জান্দেরো, মে ০১ঃ*

ৱার্ল্ড কপ্তা মীয়াম্না আর্জেন্টিনা হায়না চাউনা আশা থমখিবা অসি ইং ১৯৮৬ তা মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৩ রক শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদনি। মসিগী মরমদি মতম অদুদা ফোরৱার্দ প্লেয়র ওইখিবা দিগো মারাদোনানা লাই শাখিবা কুম অদুদনি।

কুম অদুদা আর্জেন্টিনানা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখি। মখোয়না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবসি ১১ শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুদসু লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখি।

চহী অদু ইং ১৯৭৮ নি। মসিগা থারগা আর্জেন্টিনানা ৱার্ল্ড কপকি চেম্পিয়ন ওইবসি অহানবনি। মসিগী মথংদা মেক্সিকোগী ৱার্ল্ড কপ অদুদা অনীরকশুবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা ৱার্ল্ড কপ্তা ফাইনেল চঙবনা অহুমলকশুবা চহী ওইখি।

মথংগী ৱার্ল্ড কপ্তা হায়বদি ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ১৯৯০ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদসু পৃথিবীগী মীয়াম্না আর্জেন্টিনানা শোইদনা লৌগনি হায়না আশা তৌনখি। লাইবকথীবদি মেটচ অমদা টিম অসিগী অফবা শান্নরোই অমা ওইনা জর্সি নম্বর ১০ লীত্তুনা শান্নখিবা দিগো মারাদোনানা সেরিয়েস ফোল্ট অমা তৌরুবদগী মহাকপু মেটচ অদুদগী তাহোকখি।

মঙোন্দা সপ্লাই নীংথিনা পীরকখিবা অমদি মহাক্না সপ্লাই নীংথিনা পীবা কনেজিয়া হায়রগা খঙনবা শান্নরোই অসি খক্তনা আর্জেন্টিনাগী ওইনা গোল চনবা ঙমখিদবা কয়া অসিনা টিম অসি ৱার্ল্ড কপ অদুদা সেকেন্দ রাউন্দ ফাওবা য়ৌবা ঙমদনা মায়থীখি।

আর্জেন্টিনানা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবসি হন্দক্কি অসিগা থারগা ১৬ শুবা ওইগদৌরি। হন্দক্কি ওইনা টিম অসিনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ক্বালিফায়িংগী কেম্পেইন হৌখিবা অসি য়াম্না চাউনা মায় পাকপা মেটচ অমগা ঈরোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

টিম অসিনা চিলিগা শান্নবা মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাকপা ঙমখি। মথংদা ভেন্যুজিলাগা শান্নবা মেটচ অদুদা ১–১ দা দ্রো ওইখি। লোয়ননা ইং ২০১১ দা পাঙথোকপা কোপা আমেরিকাদসু অফবা লৈবাক অমা ওইনা শক খঙখি।

কলম্বীয়াগা শন্নবা মেটচ অদুদা আর্জেন্টিনানা গোল ২–১ দা মায় পাকপগা লোয়ননা মেটচ ১৪ শান্নবদা আর্জেন্টিনানা য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ঙম্বগা লোয়ননা হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিদা আর্জেন্টিনানা পুন্না গোল ৩৫ চনবা ঙমখি। ফিফাগী মখাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপকি হিষ্ট্রিদা আর্জেন্টিনা অফবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লাকখি। ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা ফিফাগী মখাদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা ৱার্ল্ড কপ কয়াদসু চাউনা মায় পাকখি।

ফিফা অন্দর ২০ জপান ৱার্ল্ড কপ ১৯৭৯, কটারদা পাঙথোকখিবা ১৯৯৫, মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ১৯৯৭, আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২০০১, নেদররেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২০০5 অমদি কানাদানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবাা ২০০৭ গী ৱার্ল্ড কপশিং অসিদা আর্জেন্টিনানা ৱিন্টর ওইবা ঙমখি।

ফিফাগী মখাদা সাওদি আরবিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৯৯২ গী কপফিদিরেসন কপ, এথেন্সতা ইং ২০০৪ পাঙথোকখিবা মেনস ওলেম্পিক ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি বৈজিংদা ইং ২০০৮ পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক ফুটবোলশিংদা আর্জেন্টিনানা ৱিন্নর ওইখি।

মমাঙগী ৱার্ল্ড কপ্তসু আর্জেন্টিনা শরুক য়াবগা লোয়ননা গ্রুপ বিদা নাইজেরিয়া, সাউথ কোরিয়া অমদি গ্রিসকা পুন্না লৈমিন্নখি। নাইজেরিয়াগা অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুনা আর্জেন্টিনানা গোল ১–০ দা থোইবা ঙমখি। অনীরকশুবা ওইনা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদসু আর্জেন্টিনানা গোল ৪–১ দা চাউনা মায় পাকপা ঙমখি। অরোইবা ওইনা গ্রিসকা শান্নখিবা মেটচ অদুদা আর্জেন্টিনানা গোল ২–০ দা মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা গ্রুপ অদুগী টোপ তাদুনা সেকেন্দ্র রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

লাইবকথীবদি আর্জেন্টি সেকেন্দ রাউন্দদা গ্রুপ এগী রন্নর ওইখিবা মেক্সিকোগী মখুত্তা য়াম্না থাজদবা মওংদা গোল ২–১ দা মায়থীবা নঙদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লৈহৌখি।

হৌজিকসু লৈবাক অসিগী ওইনা অফবা শান্নরোই কয়া ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারি। মখোয়গী মনুংদা য়ুরোপিয়ন লীগতা অফবা শান্নরোই অমা ওইনা পৃথিবীগী মীয়াম্না শিংথারিবা ফুটবোলগী অনৌবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা খুৎ থেক্তপদা মমিং য়াওরিবা লিওন মেসি টিম অসিদা শরুক য়াদুনা শান্নগনি। মহাক্তা নত্তনা অরুবা গোল কয়া লায়না চনবা ঙম্বা লা পুলগা য়াওরি। মখোয় অনীতা নত্তনা কালোস টেভেজ, জাফির মাচেরানো অমদি এঞ্জেলস দি মারিয়া হায়রিবা শান্নরোইশিং অসিনা আর্জেন্টিনাগীদমক্তা কদাই ফাওবা য়ৌনা শান্নরক্কদগে হায়বসি এলজান্দ্রো সবেলানা কোচ ওইবা টিম অসিনা উৎপা ঙমগনি।



# ওষ্ট্রেলিয়া টেষ্ট ক্রিকেটকি রেঙ্কিংদা অমুক হন্না ৱানদা লৈখ্রে




*সিদনি, মে ০১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিটে টিম্না চহী ৫ গী মতুংদা অমুক হন্না টেষ্ট ক্রিকেটকি রেঙ্কিংদা অহানবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে। টিম অসিনা হন্দক শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজশিং হায়বদি ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়া শান্নখিবা সেরিজ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা মতুংদা সাউথ আফ্রিকাগা অমুক হন্না শান্নখিবা সেরিজ অদুদা মায় পাকপা ঙমখি।

মসিনা মরম ওইরগা আই সি সিনা পীরকপা টেষ্ট ক্রিকেটকি রেঙ্কিংদা লৈবাক অসিনা অমুক হন্না টোপ ৱান ওইখিবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা টেষ্ট রেঙ্কিংদা মকোক থংবা রেঙ্কিংদা লৈখিবসি ইং ২০০৮ দনি। অদুবু মখোয়দা টেষ্ট রেঙ্কিং অদু য়াম্না কুৎনা লৈরমদে মরমদি ইংলেন্দগী মখুত্তা ২০০৯ দা মায়থীবা নঙবদগী রেঙ্কিং অসি হন্থখিবনি।

# হন্দক চহীদগী ৱিমব্লেদনগী প্রাইজ মণি চাদা ১০ হেনগৎলগনি



*লন্দন, মে ০১ঃ*

চৎলিবা চহী অসিদগী ওইনা ৱিমব্লেদনগী প্রাইজ মণি অসি মমাঙ চহীদা ওইরম্বা ২৫ মিল্লিয়ন পাউন্দ ওইরম্বদু চৎলিবা চহী অসিদগী হৌনা হান্ননা লৈরম্লিবা প্রাইজ মণিগী শেলফম অসিদগী ১০.৮ পাসেন্ট হেনগৎলগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিবু শীল্লিবা ওর্গনাইজেরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী ওইনা মেনস অমসুং ৱুমেন্স সিঙ্গলসকি চেম্পিয়ন্দা ১.৭৬ মিল্লিয়নস পাউন্দ পীরগনি। মসি মমাঙদা এন্দি মুরে অমদি মারিনো ব্রাটোলিনা ফংখিবা অদুদগী চাদা ১০ হেনগৎলগনি।

হন্দক চহীগী ওইনা গ্রাস কোর্টতা পাঙথোকপা গ্রান্দ স্লামগী টুর্নামেন্ট অসি জুনগী ২৩ দগী হৌরগা জুলাইগী ৯ দা লোইগনি। মসি হন্দক চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংগী ভেল্যু হেনগৎলকপদগীনি

# ইন্দিয়ানা টি–২০ গী রেঙ্কিংদা অহানবদা লৈরি



*ন্যু দিল্লি, মে ০১ঃ*

আই সি সিনা নৌনা পীরকপা টি–২০ গী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা হৌজিক খ্বাইদগী টোপ ওইরি। মসি মমাঙদা বঙ্গলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অদুগী রিজলট অদুগী মতুং ইন্না পীরকখিবনি।

ইন্দিয়ানা আই সি সি রেঙ্কিংদা টোপ ওইবা ঙল্লিবা অসি হৌজিক ফাওবদা থা ১২ শুরে। টি–২০ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবা শ্রীলঙ্কা টিম্না রেঙ্কিং অসি হন্থদুনা ইন্দিয়াগী মথংদা লৈরি। হন্দক্কি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অদুদা ইন্দিয়াগী রিজলট অসি ইং ২০১১–১২ দা পাঙথোকখিবা অমদি ইং ২০১২–১৩ দা পাঙথোকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা ৫০ পার্সেন্ট খক য়ৌখি। অদুবু ইং ২০১৩–১৪ দা ইন্দিয়ানা ১০০ দা ১০০ য়ৌবা ঙম্বগা লোয়ননা টোপ ওইবা ঙমখিবনি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদুদগী হন্থনা লৈখি।

# চেম্পিয়ন্সি চেলেঞ্জ ৱানদা ইন্দিয়া বেলজিয়মগী মখুত্তা গোল ৫–০ দা মায়থীখ্রে



*গ্লাসগ্রো, মে ০১ঃ*

মফম অসিদা চথরিবা ৱুমেন্স হোকিগী চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ ৱানদা ইন্দিয়া মমাঙগী মেটচ অনীদা মায়থীবা নঙলবা মতুংদা অরোইবা ওইনা বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেটচ অদুসু য়াম্না চাউনা মায়থীবা নঙখি।

পুল এদা ইন্দিয়ানা বেলজিয়ম, কোরিয়া অমদি স্কোটলেন্দগা পুন্না লৈমিন্নখিবনি। অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াবু কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না লাকচনা ৪–২ দা মায়থীবা পীরমখি।

অনীশুবা ওইনা স্কোটলেন্দগী শান্নখিবা মেটচ অদুদসু ইন্দিয়া য়াম্না চাউনা মায়থীবা নঙখি। মেটচ অদুদা ইন্দিয়াবু স্কোটলেন্দগা গোল ৪–০ দা মায়থীবা পীখিবনি। অরোইবা ওইনা বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেটচ অদুদসু ইন্দিয়া গোল ৫–০ দা মায়থীবা নঙখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদসু বেলজিয়মনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাল্ফকি ৩০ শুবা মিনিট ফাওবদি টিম অনীমক্বা গোল অমত্তা চনবা ঙমনদনা লৈনখি। মেটচ অদুগী ৩৩ শুবা মিনিটতা বেলজিয়মগী এলিক্সনা ক্রোস তৌরকপা বোল অমা বালব্রানা অমুক ফংদুনা য়ৈশিল্লকখিবা বোল অদু ইন্দিয়াগী সবিতানা ঙাকথোরকখি। অদুবু বেলজিয়মগী মনোন সিমোননা গোলদা কনভটর তৌবগা লোয়ননা টিমগী অহানবা গোল ওইখি। অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়া বেলজিয়মগী মখুত্তা গোল ১–০ দা দাউন্দ তৌদুনা লৈখি। ইন্দিয়ানা সেকেন্দ হাল্ফতা হেন্না ফবা পার্ফোমেন্স পীনবা হোৎনখি অদুবু মেটচ অদুগী ৩৮ শুবা মিনিটতা জিলি বুননা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২–০ দা লৈখি।

অনীশুবা গোল চনখিবা মতুং মিনিট ৩ শুবদা হায়বদি মেটচকিনা ৪১ শুবা মিনিটতা ল্যুইজ ভর্সাভেলনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৩–০ দা লৈখি। মসিগী মতুংদা বেলজিয়মনা মতম কুইনা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। ইন্দিয়ানসু গোল হন্দোকপা ঙমখিদে।

মেটচ অদুগী ৪৪ শুবা মিনিটতা বেলজিয়মগী ইমা পুরভরেজনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৪–০ দা লৈখি। অরোইবা মিনিট য়ৌগদবা শুপ্নগী মিনিট অমা খক্তা ঙাইরবা হায়বদি ৬৯ শুবা মিনিটতা লেসলোটে ভেন লিন্দটনা পেনালটি কোনরদা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু গোল ৫–০ দা চাউনা মায়থীবা পীখিবনি।